





## ওসিগী রাশি ফল (২৬-০৯-২০২৬)

**ইবোপিশক নিংথৌজা (এৱার্দি)**

*এষ্ট্রো এণ্ড পালমিষ্ট, পাউনা বাজার, ইম্ফাল*

**মেষঃ** অকনবা ৱাহৈ শিজিন্নদবা ফগনি। মীগী মতেং পাঙলুগনু। থৌশিনবা থৌবু ওইরুদবা ফগনি। চেকশিনগনি। গাড়ী তপ্পা থৌগনি। থবক মচাদি পাঙথোক্লগনি।
পাখং লৈশাবীশিংগী – মুক্লগনি।
মহৈরোয়শিংগী – ফকচিনগনি।

**বৃষঃ** তিন্নবশিংদগী তোখাই তাবা, য়েংশিনবা হেনগৎপা, শাগৈনা য়েংথিবা ওইরগনি। শেল ফংবা চৎপা মান্নগনি। ইমুংদা চরাংনগনি।
পাখং লৈশাবীশিংগী – মত খেন্নগনি।
মহৈরোয়শিংগী – হোৎননিংলোই।

**মিথুনঃ** থৌরম মায় পাকচবা, মিংচৎ হেনগৎপা, মীয়াম্না শকখঙবীবা, লুচিংবশিংনা নুংশিবীবা ওইরগনি। চৎথোক চৎশিন্দা কান্নগনি।
পাখং লৈশাবীশিংগী – নুংশিন্নগনি।
মহৈরোয়শিংগী – লৌশিং হেনগৎলগনি।

**কর্কটঃ** পুক্নিং হকচাং ফগৎপা, শেল চৎপা, থবক্তা মায় পাকচবা, অরাপ্পা চৎপা, মী লোয়নবা কান্নবা ফংবা ওইরগনি। ইমুংদা ইংনা লৈরগনি।
পাখং লৈশাবীশিংগী – অমত্তা ওইরগনি।
মহৈরোয়শিংগী – বুদ্ধি চাওখৎলগনি।

**সিংহঃ** অশাওবনা মাঙজগনি। খৎনবা মুক্লবা তৌগল্লি। গাড়ী তপ্পা থৌগনি। চংজরকপা কনখৎলুগনু, থবক খরদি পাঙথোক্লগনি।
পাখং লৈশাবীশিংগী – মুক্লগনি।
মহৈরোইশিংগী – ৱাখল থোক্লোই।

**কন্যাঃ** থবক্তা মায় পাকচবা, শীংথাবীবনা হেনগৎপা, লুচিংবশিংনা চানবীবা, চাংয়েংনবদা মায় পাকচবা, শাগৈনা চানবীবা, শান্তি লৈবা ওইরগনি।
পাখং লৈশাবীশিংগী – মত চান্নগনি।
মহৈরোইশিংগী – লৌশিং হেনগৎলগনি।

**তুলাঃ** শেল ফংবা চৎপা মান্নবা, কোক শাবা, মীচং শোন্থবা ওইরগনি, থাজবা মীওইশিংদগীসু চেকশিল্লু, মীগী উপাই তৌরুদবা ফগনি।
পাখং লৈশাবীশিংগী – লৌ তৌন্নগনি।
মহৈরোয়শিংগী – ৱাখল চঙলোই।

**বৃশ্চিকঃ** চাওখৎপা ফাগৎপা, থবক পাঙথোকপা, লন্নানবশিংনা চানবীবা, পোৎ লৈবা য়াবা, মীংচৎ হেনগৎপা, চৎথোক চৎশিন্দা কান্নবা ওইরগনি।
পাখং লৈশাবীশিংগী – অমত্ত ওইরগনি।
মহৈরোয়শিংগী– হোৎননিংগনি।

**ধনুঃ** অচেৎপা ৱা হায়দোক্লগনু, মীচং শোন্থবা, অর্থ লান্না লৌবীবা ওইরগনি। মীগী মতেং পাঙলুগনু। তোখাই তাগনলি, থবক মচাদি পাঙথোক্লগনি।
পাখং লৈশাবীশিংগী – মুক্লগনি।
মহৈরোইশিংগী – ফকচিনগনি।

**মকরঃ** পাঙথোকপদা লুনা থোকপা মায় পাক্লগনি। শেল ফংবা, শক খঙবীবা য়াম্বা, অরাপ্পা চৎপা কান্নবা ওইরগনি।
পাখং লৈশাবীশিংগী – অমত্ত ওইরগনি।
মহৈরোইশিংগী – লৌশিং হেনগৎলগনি।

**কুম্ভঃ** খুদোংচাবা মায়োক্লবা, শেল ফংবা মমল য়াম্বা পোৎ চৈ লৈবা য়াবা, মকোক ওইবশিংনা নুংশিবীবা, ইমুংদা শন্তি ওইরগনি।
পাখং লৈশাবীশিংগী – নুংশিনগনি।
মহৈরোয়শিংগী– হোৎননিংগনি।

**মীনঃ** থাজবশিংদগী হৈশিংজগনি, চৎথোক চৎশিন্দা চেকশিল্লু। থবক্তি পাঙথোক্লগনি। শাগৈনদি য়েংথিগনি। ইমুংদা চরাংনগনি।
পাখং লৈশাবীশিংগী – ৱারৌনগনি।
মহৈরোয়শিংগী – ৱাখল চংলোই।

**BEFORE THE OATH COMMISSIONER, MANIPUR AT THOUBAL**

**AFFIDAVIT**

I, **Asem Santi Devi (D.O.B:-27/09/1967)**, W/o, Asem Rajen Singh , a resident of Thoubal Haokha Mamang Leikai, P.O, P.S & District-Thoubal, Manipur, do hereby solemnly affirm and make oath as follows:-

1. That, I am a law abiding citizen of India. This is true to my knowledge.
2. That, my **Original Women Vendor card of Thoubal Keithel being License No.-34, Seat No.-28, Plot No.-$G_2$(FF) & Trade-Pan Seller** issued by Thoubal Municipal Council was found lost from my custody and possession on the way between Thoubal Haokha Mamang Leikai to Thoubal Municipal Council Thoubal, on the 18th September, 2026. And I searched it out minutely but could not trace out the same till date in spite of my various efforts. The said lost report was published in the Daily Manipur Newspaper namely SANALEIBAK on the 2nd page of the 25th September, 2026's Publication. This is true to my knowledge.
3. That, the said lost Original Women Vendor Card is highly in need to me for future references. As such, I pray to the authority concern for allowing to issue me the Duplicate copy of the said lost Original Women Vendor Card mentioned above as same as Original one for my future references. Hence, this affidavit. This is true to my knowledge.

Verified that all the aforegoing paras of this affidavit are all true to the best of my knowledge and belief.

Dated/Thoubal
The 25th september, 2026

**Asem Santi Devi**
Signature of the deponent

SL/Brit/26

## SANA - SUDOKU

*Rules :- Nos. given in the grid should not be changed. Free boxes is to be filled with numbers from 1 to 9 horizontally and vertically without repeating any numbers.*

**Hard Sana Suduku-1089**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 8 | | | 9 | 4 | | | | 1 |
| 6 | | | | | 1 | 4 | | 9 |
| 1 | | | 6 | | | 2 | 8 | |
| | 8 | | 4 | | | 3 | | 6 |
| | 6 | 9 | | | 8 | 1 | | |
| | 4 | 5 | | 6 | | | 9 | |
| 4 | | 8 | | 1 | | 9 | | |
| | 2 | | 3 | | 4 | | | 8 |
| 9 | | 6 | | | | | 4 | |

সনা–সুদোকু–১০৮৯গী সোল্যুসন লমাই ৬তা

# ইলেক্সন কম্মিসন চীফ জ্ঞানেস কুমারগী মথক্তা সুপ্রিম কোর্টতা ৱায়েল চথনবা কেস অমা থাঙ্গৎলকখ্রে





ন্যু দিল্লি, সেপ্টেম্বর ২৫ (এজেন্সি):

ইলেক্সন কম্মিসনদা ৱারেপ লৌবগী থবক্কী মতাংদা চয়েৎনবা হেনগৎলকখিবা অদুগী মরক্তা চীফ ইলেক্সন কমিস্নার জ্ঞানেস কুমারগী মথক্তা ৱায়েল চথনবা সুপ্রিম কোর্টতা ৱাকৎ অমা থাঙ্গৎখ্রে।

কম্মিসন অদুগী মরুওইবা ৱারেপশিংগী মতাংদা মেদিয়া রিপোর্টশিংদা যূমফম ওইরগা পব্লিক ইন্টরেষ্ট লিটিগেসন (পি আই এল) অদু থাঙ্গৎলকখিবনি।

ইলেক্টোরেল প্রোসেসকা মরী লৈনবা ৱারেপ কয়ামরুম অতোপ্পা ইলেক্সন কমিস্নার অনি অদুগী অয়াবা য়াওদনা লৌখি হায়না ৱাকৎ অদুনা হায়রি।

এদভোকেট শৈলেন্দ্র মনি ত্রিপাথিনা থাঙ্গৎলখিবা পি আই এল অদুনা অতোপ্পা ইলেক্সন কমিস্নার অনি অদুগী অয়াবা য়াওদনা জ্ঞানেস কুমারনা লৌখিবা ৱারেপশিং, গাইদলাইন্স অমসুং সোফৱ্যার মোদিফিকেসনশিং অদু অনকনষ্টিট্যুসনেল এন্দ ভোইদনি হায়না লাউথোক্লবসু দিমান্দ তৌরি।

ৱাকৎ অদুনা ৱারেপ পূন্নমক অদু ইলিগেলনি লাউথোক্লবা অমসুং ওরিজিনেল 'ফোর্ম ৬' অদু অমুক হন্না চৎনহন্নবসু দিমান্দ তৌরি।

চথরিবা স্পিসিয়েল ইন্টেন্সিব রিভিজন (এস আই আর) অসিদা ইলেক্টোরেল রোলশিং অদুদগী ভোটর ক্রোর ১৩গী মমিংশিং অদু করন্না লৌথোকপনো হায়বদুগী মতাংদা স্পিসিয়েল ইনভেষ্টিগেটিং টিম (এস আই টি) অমনা থিজিলহন্নবসু দিমান্দ তৌরি।

পি আই এল অদুনা রিপ্রজেন্টেসন ওফ দ পিপল (আর পি) এক্টকী মখাদা মথৌ থৌশাদবগীদমক জ্ঞানেস কুমার, সেনিয়ার দিপুটি ইলেক্সন কমিস্নার মনিস গর্দ অমসুং দাইরেক্টর জেনরেল (আই টি) সিমা খানা প্রোজিক্যুসন তৌনবসু তকশিনখি।

ভোটর রোলসকী স্পিসিয়েল ইন্টেন্সিব রিভিজন (এস আই আর)গী মতাংদ য়াওনা ইলেক্সন কমিস্নারশিংগী ওবজেক্সনশিং অদু থৌশাখিদে হায়বা দ

ইন্দিয়ান এক্সপ্রেসনা হায়খিবা রিপোর্ট অমগী মতুং গ্যানেস কুমারগী মথক্তা য়েংশিল্লকখিবনি।

ইলেক্সন কমিস্নারশিং, সুখবির সিংহ সন্ধু অমসুং বিবেক জোসিনা ফোর্ম ৬তা হোংদোক হোংজিন তৌবশিং অমসুং ইলেক্টোরেল-রোল দাটা মেনেজমেন্টগী য়াওনা এস আই আরগী মরীলৈনবা ৱারেপশিং অমসুং ওর্দরসকী মতাংদা য়ামদ্রবদা ১৪রক হন্না ওবজেক্সনশিং তৌখি হায়না ইন্দিয়ান এক্সপ্রেসনা রিপোর্ট তৌখিবা নুমিৎ খরনিগী মতুং পেটিসন অদু থাঙ্গৎলকখিবনি।

ইন্দিয়ান এক্সপ্রেসকী রিপার্ট অদুদা পাউখুম পীরদুনা পোল বোদি অদুনা হৌখিবা চহী অমদা বোদি অদুনা লৌখিবা ৱারেপ পূন্নমক অমত্তা ওইনা য়ান্ননা লৌখিবনি অমসুং মীৎয়েংশিং খেন্নবা হায়বসি ইনষ্টিট্যুসন অমগী মনুংদা মহৌশানা লৈবা অমনি হায়খি।

রিপোর্ট অদু থোক্লকখিবা মতুংদগী ওপোজিসননসু সি ই সিদা কন্না য়েংশিনবা হৌরকখ্রে। শগোলশেল নুমিৎতা ন্যু দিল্লিদা প্রেস কনফরেন্স অমদা ৱা ঙাংবদা লিদর ওফ দ ওপোজিন রাহুল গান্ধীনা কুমারবু থাজবা হাৎপা অমনি হায়খ্রে অমসুং মহাক রিজাইন তৌনবা দিমান্দ তৌখ্রে অমসুং ইন্দিয়াদা দেমোক্রেসি মাঙ তাকহনবদা কোংগ্রেসনা তুমিন্না য়েংদুনা লৈরোই হায়না ৱার্নিং তৌখ্রে।

# কোংগ্রেসনা জ্ঞানেস কুমারগী মায়োক্তা প্রোটেষ্ট চথখিবদা ৱাটর কেননশিং শিজিন্নখ্রে, গৌরব গোগোই ফাখ্রে

ন্যু দিল্লি, সেপ্টেম্বর ২৫ (এজেন্সি):

লৈবাক অসিগী তোঙান তোঙানবা মফম কয়াদা কোংগ্রেসনা ঙসি ইরাই নুমিৎতা চীফ ইলেক্সন কমিস্নর (সি ই সি) জ্ঞানেস কুমারগী মথক্তা লৈবাক শিনব থুংনা কেম্পেন অমা চথখ্রে।

দিল্লিদগী পটনাদ, জম্মুদগী কোলকটা, পঞ্জাব, অসাম অমসুং অরুনাচল প্রদেশ ফাওবদা জ্ঞানেস কুমর রিজাইন তৌনবা দিমান্দ তৌদুনা কোংগ্রেস ৱার্করশিংনা ষ্ট্রীটশিংদা থোক্লকখ্রে।

দিল্লিদা, কোংগ্রেস পার্টিগী অচৌবা সো অমদা পার্টি লুচিংবশিংনা সি ই সি রিজাইন তৌনবগী দিমান্দ তৌনবা ইলেক্সন কম্মিসন ওফিস তন্না বেরিকেদশিং থুগাইরগা চংশিন্নবা হোৎনরকখিবগী অঙকপা ফিভমশিং উখি।

কোংগ্রেস ৱার্কর কয়ামরুমগী খোঙচৎ অদু থিংনবা হোৎনদুনা ফাজিনখি। জ্ঞানেস কুমার খুদক্তা শোয়দনমক রিজাইন তৌগদবনি। ইন্দিয়াদা দেমোক্রেসি মাঙ তাকহনবদু ঐখোয়না চথবা য়াহল্লোই অমসুং ফমদুনা তুমিন্না য়েংদুনা লৈরোই। মসি থোকহল্লিবা মীওইশিং অদু চৈরাক পীগদবনি হায়না দিল্লি কোংগ্রেস প্রসিদেন্ট দেবেন্দর যাদবনা হায়খি।

মসিগী মমাঙদা জ্ঞানেস কুমারগী মমায় মানবা মাস্কশিং উপ্পা অমসুং মখোয়গী মখৎশিং পুনশিনবা ইন্দিয়ান য়ুথ কোংগ্রেস ৱার্করশিংনা ইরাই নুমিৎতা মরুওইবা ইলেক্টোরেল দিসিজনগী মতাংদা কম্মিসনগী মকোকথোংবা ওফিসারশিংগী মরক্তা মত মান্নদবশিং অদুগী মতাংদা কুমার ফম থাদোক্লবা দিমান্দ তৌদুনা দিল্লিদা প্রোটেষ্ট তৌখি।

প্রোটেষ্টরশিং অদুনা রাইসিনা রোদতা লৈবা আই ৱাই সি ওফিসতগী ইলেক্সন কম্মিসন হেদক্বার্টরস তন্না খোঙচৎ লাকখিবদা কুমারদগী একাউন্টেবিলিটি দিমান্দ তৌবা পোষ্টরশিং অমসুং বেনরশিং পায়খি।

অসামদা, ষ্টেট কোংগ্রেস চীফ গৌরব গোগোই অমসুং ৱার্কর কয়ামরুম সি ই সিগী মায়োক্তা পার্টিগী প্রোটেষ্টতা ফাজিনখ্রে। কোংগ্রেসনা ঙসি পাটনাদসু প্রোটেষ্ট তৌখি। বিহারগী কোনুং পটনাদা ষ্টেট পোল পেনেলগী ওফিস তন্না লাকপা কোংগ্রেস ৱার্করশিংদা পুলিসনা ৱাটর কেননশিং শিজিন্নখি। কোলকটা, চান্দিগর, জম্মু অমসুং লৈবাক্কী অতে মফম য়াওনা ষ্টেটকী কোনুং কয়াদসু ওপোজিসন পার্টি অসিনা মসিগা মান্নবা প্রোটেষ্ট খোঙচৎশিং চৎখি।

কোংগ্রেস পার্টিনা শগোলশেল নুমিৎতা মখোয়গী ষ্টেট য়ুনিটশিংদা সি ই সি খুদক্তা ফানবা, ওফিসতগী লৌথোক্লা অমসুং মহাক্কী মখাদা লৌখিবা ৱারেপ অমসুং ইলেক্টোরেল রোলগী অহোংবা পূন্নমক ইন্দিপেন্দেন্ট রিভ্যু অমা দিমান্দ তৌদুনা সেপ্টেম্বর ২৫দা মখোয় মখোয়গী ষ্টেট ইলেক্সন ওফিসশিংদা প্রোটেষ্ট খোঙচৎশিং পাঙথোক্লবা পাউতাক পীখি। মসি ইলেক্সন কমিস্নারশিং, সুখবির সিংহ সন্ধু অমসুং বিবেক জোসিনা মখোয়গী অয়াবা য়াওদনা লৌখিবনি হায়বা ৱারেপশিং অমসুং ওর্দরশিং অদু হৌখিবা থা ১০দা য়ামদ্রবদা ১৪রক হন্না ওবজেক্সন তৌখি হায়না ফোঙদোকখিবা ইন্দিয়া এক্সপ্রেস রিপোর্ট অমগী মতুংদনি।





# হিন্দিবু সুপ্রিম কোর্টতা ওফিসিয়েল লেংগ্বেজ ওইহন্নবা থাঙ্গৎলকখিবা পি আই এল অমা কোর্টনা য়াখিদ্রে

ন্যু দিল্লি, সেপ্টেম্বর ২৫ (এজেন্সি):

হিন্দি লোনবু সুপ্রিম কোর্টকী ওফিসিয়েল লেংগ্বেজ অমা ওইহন্নবা একজামিন অমসুং রিকোমেন্দ তৌনবা কম্মিসন অমা শেন্নবা সেন্টরদা দিরেক্সন পীবিয়ু হায়না থাঙ্গৎলকখিবা পি আই এল অমা ঙসি সুপ্রিম কোর্টনা য়াখিদ্রে।

চীফ জষ্টিস সুর্য্য কান্ত অমসুং জষ্টিসশিং জোয়মলিয়া বাগচি অমসুং ভি মোহনানা শাবা বেঞ্চ অমনা হায়খি, লোনগা মরীলৈনবা রিফোর্মশিং হান্নদগী হৌনা এদমিনিষ্ট্রেসনগীনি লৌই অমসুং জুদিসিয়েল ওর্দরসকী খূৎথাংদা পুরকপা য়ারোই।

প্রহমেশ্বর নাথ মিশ্রনা থাঙ্গৎলকখিবা পি আই এল অদুনা সুপ্রিম কোর্টকী ওফিসিয়েল লেংগ্বেজ ওইনা হিন্দি শিজিন্নবগী মতাংদা রিকোমেন্দেসনশিং তৌনবগীদমক কম্মিসন অমা শেন্নবা সেন্টরদা দিরেক্সন অমা পীবিয়ু হায়খি।

মিশ্রগীদমক লেপ্লিবা এদভোকেট অমনা সেন্টরদা কম্মিসন অমা শেমহন্নবা অমসুং ৱাকৎ অদু শৌগৎপা কনষ্টিট্যুসনেল প্রোভিজনশিংদা রিফর তৌনবা দিরেক্সন পীবিয়ু। সুপ্রিম কোর্টনা লোনগা মরীলৈনবা রিফোর্মশিং হান্না চাং নাইনা অমসুং তাঙ্কক নাইনা চৎনহনখ্রে হায়না সি জে আইনা হায়খি।

ঐখোয়না হৌজিক রিপোর্ট পূন্নমক হিন্দিদা চাওরাকপা ৱাফম অমা পীরি, ঐখোয়না অতে রিজনেলগী লোনশিংদসু হৌরগনি হায়না সি জে আইনা হায়খি। অসিগুম্বা রিফোর্মশিং অসি জুদিসিয়েল ওর্দরশিংগী খূৎথাংদা পাঙথোকপা য়ারোই হায়না মহাক্লা মখা তানা হায়খি।





# বি জে পি সার্টিফিকেট মথৌতাদে: ওমর অবদুল্লাহনা জম্মু এন্দ কাশ্মির ষ্টেটহুদ রিজোলুসন থাঙ্গৎখ্রে

শ্রীনরগ, সেপ্টেম্বর ২৫ (এজেন্সি):

চীফ মিনিষ্টর ওমর অবদুল্লাহনা ইরাই নুমিৎতা জম্মু এন্দ কাশ্মিরদা ষ্টেটহুদ অমুক হঞ্জিনহন্নবা রিজোলুসন অমা থাঙ্গৎখ্রে। মদুদা এসেমব্লি হাউসতা বি জে পি মেম্বরশিংনা রিজোলুসন অদুগী কোপিশিং শেগাইবগা লোয়ননা অচৌবা ৱাথোক অমসুং মুক্লবা অমা থোকখ্রে।

রিজোলুসন অদুদা য়াওরিবা য়েৎননিঙাই ওইরিবা ৱাফম অদুদি ওমর অবদুল্লাহনা জে এন্দ কে এসেমব্লিনা ২০০০দা জে এন্দ কে ওটোনোমি রিজুলুসনগী পেসেজ অদু অদু য়াওনা মমাঙদা পাস তৌখিবা রিজোলুসনশিংদা রিফরেন্স পীখিবা অদুনি।

বি জে পি মেম্বরশিং অদুনা হাউসকী ৱেলদা থোমজিল্লকখি অমসুং খোল্লাওশিং লাউখি অমসুং রিজোলুসন অদুগী কোপিশিং শেগাইখি।

লৈঙাক পায়রিবা নেসনেল কনফরেন্স মেম্বরশিংনসু বি জে পিগী মায়োক্তা ওনশিন্দুনা খোল্লাওশিং লাউখি। হাউস অসিনা ২৬ জুন ২০০০ অমসুং ৬ নবেম্বর ২০২৪দা পাস তৌখিবা রিজোলুসনশিং অদুগী মথক্তা হাউস অসিনা জম্মু এন্দ কাশ্মিরদা খুদক্তা অমসুং থুনমক ফুল ষ্টেট্হুদ হঞ্জিনহন্নবা গর্ভর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়ানা আপিল তৌরি অমসুং মসিগী রিজোলুসন অসি গর্ভর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়াদা ফোরৱাদ তৌনবা ৱারেপ লৌরে হায়না চীফ মিনিষ্টর ওমর অবদুল্লাহনা থাঙ্গৎখিবা রিজোলুসন অদুনা হায়খি।

হাউস অসিগী মনুংদা ৱাথোক অমা থোকহনখিবা অসি জুন ২০২৬তা জে এন্দ কে এসেমব্লিদা পাস তৌখিবা রিজোলুসন অদুদা রিফরেন্স পীখিবা অদুননি।

জুন ২৬, ২০০০দা, জে এন্দ কেনা মখোয় মশাগী প্রাইম মিনিষ্টর অমসুং সদর রিয়াসাট (প্রসিদেন্ট) লৈরমখিবা জে এন্দ কেগী ১৯৫০গী মমাঙদা লৈরমখিবা অদু অমুক হঞ্জিনহন্নবা আপিল তৌবা রিজোলুসন অমা পাস তৌখি।

সুপ্রিম কোর্ট অমসুং ইলেক্সন কম্মিসননা জে এন্দ কেগী মথক্তা জুরিসদিক্সন লৈরমখিদে। চরাংনবা ৱাথোক অদুগী মতুং স্পিকরনা হাউস অদু পুংখায় অমা এদজোর্ন তৌখি। হাউস অদু অমুক হন্না ফম্বা হৌরকখিবগা বি জে পি মেম্বরশিংনা হাউসকী ৱেলদা অমুক হন্না থোমজিল্লকখি অমসুং খোল্লাওশিং লাউখি। রিজোলুসন অদু নিংথৌকাবা নুমিৎতা ভোট লৌরবা য়াই।

অবদুল্লাহনা হায়খি, হৌখিবা চহী অনিগীদমক মহাক্লা ষ্টেটহুদ অমুক হঞ্জিনহন্নবা সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্টতা তকশিন্দুনা লাকখি অদুবু করিমতা তৌরকখিদে। মফম অসিগী বি জে পি লিদরসিপনা ষ্টেটহুদ হঞ্জিনহনবগী মায়োক্তা লৈ। মসিদগী মখোয়গী ফিরেপ ফোঙনা উরে হায়না মহাক্লা হায়খি।

মসিগী ৱারেপ অসি ষ্টেটহুদ অমুক হঞ্জিনহন্নবখক্তগীনি। ৱারেপ অসিনা জম্মু এন্দ কাশ্মিরগী মীয়ামগী মায়োক্তা লৈবা অশেংবা য়েংনবশিং অদুসু পুথোক্লে। ষ্টেটহুদ হঞ্জিনহনবা কনানা পাম্মি অমসুং মদুগী মায়োক্তা কনানা লৈ হায়বা খঙলে হায়না অবদুল্লাহনা হায়খি। ষ্টেটহুদ অসি ঐগী গভর্ণমেন্টকীদমক নৎতে, মসি ঐগী পার্টিগী নৎতে। মসি জম্মু এন্দ কাশ্মিরগী আইদেন্টিটি অদুগীদমক্নি। মসি জম্মু এন্দ কাশ্মির মীয়ামগীদমক্নি হায়না চীফ মিনিষ্টর অবদুল্লাহনা হায়খি।


বি জে পি মেম্বরশিংনা নেসনেল কনফরেন্স লিদরসিপতা এন্টি-নেসনেলনি হায়রকখিবদা জম্মু এন্দ কাশ্মির ওমর অবদুল্লাহনা লৈবাক্কীদমক মহাক্কী পার্টিনা য়াল্লবা কথোকপগী থবকশিং তৌখ্রে অমসুং পার্টি অসিনা বি জে পিদগী সার্টিফিকেট মতৌ তাদে হায়খ্রে।



## সনা-সুদোকু-১০৮৯গী সোল্যুসন

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 8 | 7 | 3 | 9 | 4 | 2 | 5 | 6 | 1 |
| 6 | 5 | 2 | 8 | 7 | 1 | 4 | 3 | 9 |
| 1 | 9 | 4 | 6 | 5 | 3 | 2 | 8 | 7 |
| 7 | 8 | 1 | 4 | 2 | 9 | 3 | 5 | 6 |
| 2 | 6 | 9 | 5 | 3 | 8 | 1 | 7 | 4 |
| 3 | 4 | 5 | 1 | 6 | 7 | 8 | 9 | 2 |
| 4 | 3 | 8 | 7 | 1 | 6 | 9 | 2 | 5 |
| 5 | 2 | 7 | 3 | 9 | 4 | 6 | 1 | 8 |
| 9 | 1 | 6 | 2 | 8 | 5 | 7 | 4 | 3 |

## Crossword # 1153



**Across**
1. All you own
7. Soft "Hey!"
11. Suffix with Cameroon
14. Covered with goo
15. Leisurely gait
16. Million Mom March target: Abbr.
17. "Touch Me" singer
19. A little freedom?
20. Occurrence
21. Condo, e.g.
22. Volvo competitor
23. Just out
24. "__ la vista, baby"
26. European wine valley
27. Mound stat
28. Mil. registration group
29. Prodded
30. Ukr. et al., once
32. Forgives
35. "More Dogs Than Bones" actor
38. Taste buds, essentially
39. Start of a tots' song
42. Nelson's predecessor
45. IBM competitor
47. Samuel's mentor
48. "Astro Boy" genre
49. South American capital
51. Fall mo.
52. Child
53. Infielder Martinez
54. Witherspoon of "Sweet Home Alabama"
56. Consumer protection org.
57. "The Situation Room" host
59. "Hold on Tight" rock gp.
60. Della's creator
61. Late bloomers
62. Study
63. Billy who played Pippin in "Lord of the Rings" films
64. New Zealand aviation pioneer Richard

**Down**
1. Ancient ascetics
2. Drools
3. Sci-fi passage
4. "... you'll be __, my son!": Kipling
5. Dot follower?
6. N.J. summer setting
7. Factory
8. Bulgaria's capital
9. Sticky situation
10. Everycowboy
11. Like the finest chess boards
12. European Space Agency launcher
13. Caught
18. Gaudily uniformed European cavalrymen
22. California peak
25. Go up
26. Hershey's candy
29. Yellowstone attraction
31. TV street "where the air is sweet"
33. Sgt., e.g.
34. Core of an ear
36. Marketing leader?
37. Jacob's partner
40. Relief aces
41. Widely varied
42. Yakked
43. Make possible
44. Fair reward
46. Crayola red hue since 1993
49. Frivolous
50. Hungry, most likely
53. Lawn-Boy alternative
55. James of jazz
57. Fly trap
58. Drink like Lassie

পাউখুম লমায় ৭ দা ...


भारतीय प्रौद्योगिकी संस्थान खड़गपुर
INDIAN INSTUTE OF TECHNOLOGY KHARAGPUR

**Advt. No.: R/10/2026 dated August 19, 2026**

The Institute invires **Online Applications** from Indian Nationals for the following posts in Dr. B. C. Roy Multi-Speciality Medical Research Centre:

(i) Trainer (on Contract)
(ii) Centre Manager (on Contract)

For details and updates visit: (http://www.iitkgp.ac.in>> Jobs >>Temporary Jobs). Last date for submission of Online Application: **10.10.2026**

CBC 21255/11/0009/2627 कुलसचिव/ Registrar








National Innovation Foundation – India
Autonomous Institute of Department of Science and Technology, Govt. of India
Amrapur, Mahudi Road Gandhinagar, Gujarat-382650
Tel: 02764 261134; Web. www.nif.org.in

**Advertisement. No. 03/2026**

National Innovation Foundation - India (NIF) invites applications from eligible Indian citizens for filling up Group 'B' Administrative posts through Deputation and /or Direct Recruitment.

Selection shall be through a written examination conducted by NIF or through reputed agencies.

| Name of the post | No. of Posts | Category-wise Vacancy | Pay Level (As per 7th CPC) | Age Limit |
|---|---|---|---|---|
| Administrative Officer | 01 | UR – Unreserved | Level-8 | Not exceeding 35 Years-(Direct Recruitment) Not exceeding 56 Years -(Deputation) |
| Finance Officer | 01 | UR – Unreserved | Level-8 | Not exceeding 35 Years-(Direct Recruitment) Not exceeding 56 Years -(Deputation) |
| PS to Director | 01 | UR – Unreserved | Level-8 | Not exceeding 35 Years-(Direct Recruitment) Not exceeding 56 Years -(Deputation) |
| Admin Assistant | 01 | UR – Unreserved | Level-6 | Not exceeding 30 years (Only Direct Recruitment) |
| Finance Assistant | 01 | UR – Unreserved | Level-6 | Not exceeding 30 years (Only Direct Recruitment) |

For more details regarding Essential Educational, Desirable Qualifications and Experience along with General Instructions please visit NIF website https://nif.org.in/careers and its social media platform such as X, Facebook, & LinkedIn.

The last date of receipt of online applications for the above posts will be 30 days from the date of publication of this advertisement.

Sd/-
Director, NIF-India

CBC 36118/11/0003/2627








WANTED PARTNERSHIP INVESTORS

Since 2012 dagi Registered touraga leijaraba Machinery Sales toujaba business firm amani. Handak ki fresh season asigi oina order masing khara yamna leiba maramna eigi hana akaknaba oina toujabanina, machine sing ashi eigi own capacity da chensinnaba hotnabada shortage leiba maramna, kanagumba kanagumbi sen thadharaga profit sharing 50/50 ratio da chap manana share touminaningba leiragadi, henna akuppa marol gidamak makhada pijariba no.asida pao faobirakpa yagani. Geniunely partnership agreement hana tougani aduga makha taba step follow tougani....

Interested Investors Enquiry through Phone Calls only

Contact Us 87942 28735

SL/KK/10

